**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-04-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিগী কাংলুপ খুদিংমকা শান্তি পাম্মী। অদুনা, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবগী থৌওং অসি লৈহন্দবা তাই।

জিরিবাম জিলাদা ইন্টর ষ্টেট ত্রক টার্মিনস শেমগৎফমদা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-২০২৩ গী মে অহুমগী থৌদোক অদুগী তুংদা কাংলুপ পুমমক্কী মীহুৎশিংনা পুন্না ফম্মীন্নদুনা ৱারী শান্নবা অমদি চামিন-থকমীন্নবা অহানবা জিলা অসি জিরিবামনা ওইরে। অসিগুম্বা কাংলুপ পুমমকা ফম্মীন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌওং অসি কাউওমদবা থৌদোক অমা ওইনা লৈহৌরগনি।

টাউন্দ প্লান্নিং বিভাগকা তান্নরগা ইন্টর ষ্টেট ত্রক টার্মিনস শেমগৎলিবা মফম অদুদা অতৈ টুরিজমগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা য়াগদ্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লগনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

মহাক্কী সরকারনা জিরিবাম জিলাবু মোদেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা শেমগৎলগনি হায়রদুনা সরকার অসিগী পান্দমদি, তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মরক্তা মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমুক হনজিলহনবনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনবা উ থাবগী খোঙজংদসু এম.এল.এশিং অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

শ্রী খেমচান্দ অসামগী কছার জিলাগী মনুং চনবা উধারন বিধান সভা কেন্দ্রগী রোংপুর অমসুং হৈলাকান্দি বিধান সভা কেন্দ্রগী জারিবোনদা পাঙথোকপা

বিধান সভা মীখলগী ভোট খোমখি। মহাক ঙসি অহিং জিরিবামদা লেক্কনি।

**মেসেজ (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ইষ্টর সনডেগী থৌরম ধর্ম্মগী চৎনবী অমদি হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোক্লি। প্রভু যিশুবু ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎলবা তুংদা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাক অমুক হিংগৎলকখিবনি। অয়ুক অঙনবদগী চর্চশিংদা প্রভু যিশু খৃষ্টকী লাইশোল থৌরম পাঙথোকখি।

মনিপুরদসু তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। অয়ুক অঙনবদা চর্চ অয়াম্বদা সনরাইজ সার্ভিসশিং পাঙথোক্তুনা লাইশোল থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

ইষ্টর সনডে নুমিৎকা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌবদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণ, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা মরুওইনা খৃষ্টানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি, ইম্ফালনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা কম্যুনিতি আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিংগী ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ শ্যাম সুন্দর রাট, ককচিংগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রম য়াওনা অতৈ মাওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ৰা ঙাংখি। শান্নবগা মরী লৈনবা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি।

**কন্দেম(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কেম্পসতা ঙরাং নুমিদাং বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অদুবু য়ুনিভরসিতি অসিনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

য়ুনিভরসিতি অসিগী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা অসিগুম্বা

থৌওং অসি মরাল লৈতবা মীওইশিং শোকহন্নবা অমদি মহৈ মশিং তম্বা, শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা ফিভম কায়হন্নবা থৌওং অমনি হায়রি। য়ুনিভরসিতি অসিগী অশেংবা শক্তম ঙাক্তুনা থমবা হোৎনবা অমদি অসিগুম্বা মহৈ তম্ফমশিংদা শান্তি লৈহন্নবা হোৎনরিবা থৌওংদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবসু চেরোল অদুনা হায়রি।

**সেনা(এল)ঃ** সরকারনা মীকোক থিবগী থবক চথ্খগনি হায়না তৌরিবা অসি তৌদ্রিঙৈ মমাংদা এন.আর.সি. মপুং ফানা চত্থবীনবা শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা তকশিল্লি।

বাবুপারা ইম্ফালদা লৈবা শিব সেনা বাল থাক্রে ভাবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-রাজ্য সরকারনা ইং ১৯৬১ বু বেটচ ইয়ার ওইরগা মীকোক থিবগী থবক চথ্খগনি হায়না তৌরিবা অসি চথ্দ্রিঙৈদা আইন কায়না চংল্লক্লিবা মীওইশিং হান্না খঙদোকপনা হেন্না খুদোংচাগনি। মহাকা হায়-য়ুমকোক থিবগী থবক চত্থবদা মনিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈজদবা আই.দি.পিশিংগী ওইনদি করমা মশিং থিগদৌরিবনো হায়না হংলদুনা শ্রী তোম্বীনা হায়-সরকার হায়বসি মীয়ামগীনি। মরম অদুনা, মীয়ামনা য়াগদবা থবক্তা খোঙজং থাংজিনবনা হেন্না অচুম্বা খোঙথাং ওইরগনি।

মহাকা হায়-মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা গাড়ি তোংদুনা জিরিবামদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিংগা উন্নদুনা শান্তিগী ৱারী শান্নখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর, তেংনৌপল অমসুং মোরেগী মফমশিংদসু চৎপীদুনা অসিগুম্বা শান্তিগী ৱারীশিং অসি শান্নহনিংবগী অপাম্বা ফোংদোক্লদুনা শ্রী তোম্বীনা হায়-নেসনেল হায়ৱেশিংদা অপনবা য়াওদনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌনবা হোৎনবীয়ু।

মৈতৈ-মীতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন, ই.এস.এ. অমসুং তোপ অৱাং লৈকাই ক্লবনসু ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিদা আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীওইশিং খঙদোকবা এন.আর.সি. শুংশোই শোয়দনা পাঙথোক্কদবনি অমদি অচুম্বা সেন্সস খক্তদা দিলিমিটেসন তৌগদবনি হায়বা ৱাফম তকশিল্লি। মীফম অদুদা মৈরা পায়বী অমদি মীয়ামসু শরুক য়াখি।

**পেন্টিং(এল)ঃ** ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না চথরক্লিবা ৪৬ শুবা রিয়েলাইজেসন মন্থকী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি রাজ্য অসিদা আইন কায়বা মওংদা মীতোপ চংশিল্লকপা অমসুং মনিপুরগী তুংগী লাইবক হায়বা থিমদা মহৈরোইশিংগী ওইবা লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কেটেগোরি অহুম থোকা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মহৈরোই ৫০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**কেম্প(এল)ঃ** ত্রোপিকেল দাইগোষ্টিক সেন্টর-তমেংলোংনা শিনদুনা ঙরাং কম্বীরোল খুলদা নোংমগী ওইবা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ই.সি.জি. য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেম্পল কয়া লৌদুনা স্পিসিএলিষ্ট ডাক্তরশিংনা লায়েংখিবা কেম্প অদুদা মীওই ১০০ হেন্না শরুক য়াখি।

**একজিবিসন (এল)ঃ** য়াইপল হায়না মীংথোনবা সোলো আর্ট একজিবিসন, ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরিদা হৌখ্রে। এগজিবিসন অসি থা অসিগী ৯ ফাওবা চথগনি। সোলো আর্ট ইগজিবিসন অসিদা তোংব্রম অমরজিৎনা য়েকপা তোঙান তোঙানবা লাই কয়ামরুম উৎলি।

**এৱাড(এল)ঃ** এক্সিলেন্স এৱার্ড ওফ মহাত্মা গান্ধি ইন্টরনেসনেল আইকোন এৱার্ড ফংলবা সোরোকখাইবম নিলাকমল সিংহবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা

ঙসি য়ুনাইটেদ রাইটরস ফোরম-মনিপুর, বিষ্ণুপুরনা তরামা ওকখ্রে।

**ফেলিসিটেসন (এল)ঃ** খেল্লোন ইন্দিয়া ত্রাইবেল গেমস-২০২৬ তা সিলভর মেদল ফংলক্লবী কুইচাংলিয়ু গাংমৈবু ঙসি তমেংলোং হেদক্বাটরসতা তরুকশুবা অসাম রাইফলসনা তরামা ওকখ্রে। মহাকা ছাতিসগরদা পাঙথোকখিবা খেল্লো ইন্দিয়া ত্রাইবেল গেমসতা কিলোগ্রাম ৫৩ গী কাংলুপকী ৱেথলিফতিংদা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

**কেম্পেইনঃ** রাজ্য মরি-অসাম, নোংচুপ বেঙ্গোল, তামিল নাদু, কেরলম অমসুং পুদুচেরি য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা রাজনিতি দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি।

নোংচুপ বঙ্গলাদা রাজ্য বিধান সভা মীখলগী ভোট তাঙ্কক অনি থোকা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কনি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নোংচুপ বঙ্গলাগী কুটচ বিহারদা পাঙথোকপা মীয়ামগী অচৌবা মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি। শ্রী মোদিনা হায়-নোংচুপ বঙ্গলাগী মীয়ামনা অওনবা অমা পামলে। ত্রিনামুল কংগ্রেসনা রাজ্য অদুদা বি.জে.পিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা পামদে হায়নসু মহাকা মরাল শিখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-কুটচ বিহারদা মীয়াম তিনখিবা অদুনা রাজ্য অদুদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মতম লোয়শিল্লক্লে হায়বদু উৎলে। মমতা বেনর্জি সরকারনা নুপীশিংবু নীংথিনা ঙাক শেনবা ঙমদ্রে হায়নসু মহাকা মরাল শিখি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিসু ঙসি রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা দল অদুগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি। ভাৱানিপুর বিধান সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা মহাকা ৱা ঙাংখি। ত্রিনামুল কংগ্রেসকী

মকোক থোংবা লুচিংবা অভিসৈখ বেনর্জিসু ভরধামান জিলাগী রাইনাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখি।

কংগ্রেস, লেফট দলশিং অমদি অতৈ রাজনিতি দলশিংনসু রাজ্য শিনবা থুংবদা মীয়ামগী মীতিন পাঙথোক্তুনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোল্লি।

কেরলমদসু রাজ্য বিধান সভা মীখলগী ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা রাজ্য শিনবা থুংবদা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-অমিত সাহনসু ঙসি ইরনাকুলম জিলাগী কুনাতুনত বিধান সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি। শ্রী সাহনা হায়-লাক্লিবা কেরলমা বিধান সভা মীখল অসি অওনবা সরকার লাকবগী খক নত্তে। রাজ্য অদুগী তুংগী লাইবক লেপবগীদমকনি।

মহাকা হায়-২০১৪ গী লোক সভা মীখলদা এন.দি.এনা ভোট ফংবগী চাং নিংথিনা হেনগৎলে অমসুং হৌজিক্তি রাজ্য অদুদা বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকার অমা শেন্বগী মতম লাক্লে।

মদুগী মমাংদা, শ্রী সাহনা কোজিকোর জিলাগী বেপোর বিধান সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা মীয়ামগী চাউরবা রোড সো অমদা শরুক য়াখি। কেরলম বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অমখক্তদা লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদবনি।

**থাউঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা পেট্রোল, দিজল অমসুং এল.পি.জি. মরাং কায়না ফংহন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

মীয়ামনা এল.পি.জি. সিলিন্দরশিং বুক্কিং তৌবদা দিজিটেল মোট শিজিন্নবা অমসুং দরকার লৈত্রবদি দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগী মনাক্তা চৎতনবা খঙহল্লি।

পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না হায়-দিল্লিভরি ওথেনতিকেসন কোড (দি.এ.সি) গী খুত্থাংদা এল.পি.জি. পীবগী চাং চহিসিগী ফেব্রুৱারী থাদা চাদা ৫৩ ওইরম্বদু ঙরাংদি চাদা ৯০ দা হেনগৎলে। মন্ত্রালয়না

হায়-ঙরাং খক্তদা কিলোগ্রাম মঙাগী এফ.টি.এল. সিলিন্দর লিশিং ৯০ গী মথক্তা য়োনখি। কিলোগ্রাম মঙাগী এফ.টি.এল. সিলিন্দরশিং অসি এল.পি.জি. মনাক নকপা দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদগী ফংগনি।

মন্ত্রালয়না মখা তানা হায়-২০২৬ কী মার্চ ফাওবদা পি.এন.জি. কন্নেক্সন লাখ অহুম লিশিং ৬০ রোমদা গ্যাস ফংহনখ্রে। অনৌবা কন্নেক্সনগীদমক কস্তমর লাখ ৩ লিশিং ৯০ হেনবনা রেজিস্তার তৌরকখি।

মরক অসিদা, মপান থৌরম মন্ত্রালয়না গল্ফ অমসুং নোংচুপ এসিয়া লমদমদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি কুপা য়েংশিল্লি হায়রি। ঙরাং ইরানদা পন্দুনা লৈরম্বা ঙা ফাবা মীওই ৩৪৫ অশোয় অঙাম য়াওদনা ভারত্তা পুরকখি। চহিসিগী ফেব্রুৱারী ২৮ দগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না ভারত মচা লাখ ৭ লিশিং অনিরোম এরোপ্লেনদা ভারত্তা পুরকখ্রে।

**সিপি-রাধাঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-পুকিং ৱাখলবু শান্তি লৈহনবা অমসুং ইশানা ইশাবু থাজহন্দুনা নুংঙাইনা লৈহনবদা মেদিটেসননা চাউনা মতেং পাংলি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি মেদিটেসনগী লমদা শকাইরবশিংগী মালেমগী ওইবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-মেদিটেসননা পুকিং ৱাখল লৈতাদবা, কোকহনবা, পুকিং হেন্না লুপশিলহনবা অমসুং পুকিং ৱাখল শান্তি ওইহনবদা মেদিটেসনগী তঙাইফদবা লৈ।

২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী পান্দমগী মতাংদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-পুকিং, ৱাখল অমসুং হকচাং ফনা থমদুনা অককবা পান্দম অমগা লোয়ননা মাংলোমদা চংশিনবনা লৈবাক অসিনা মালেমগী মকোক থোংবা ইকোনোমি অমা ওইহনবগা অচেৎপা মরী লৈনৈ। সবটেন্স এব্যুস য়াওনা খুন্নাইগী ওইবা শিংনবা কয়া কোকহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবসু উপ রাস্ত্রপতিনা পনখি।

**মেরিটাইমঃ** জাতিগী মেরিটাইম নুমিৎতা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে-লৈবাক অসিগী মীয়ামনা ভারতকী শামুদ্রগা মরী লৈনবা হেরিটেজশিং অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লম অসিদা তৌখিবা শিংথানিংঙাই ওইবা থবকশিং অদু নীংশিংলি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়-মখোয়গী কৎথোকপা কয়া অদুনা লৈবাক অসিগী শেল থুম অমসুং লল্লোন ইতিক্কী লমদা চাউখৎহনবগা লোয়ননা লম্বী থোংসু ফগৎহল্লি। লৈবাক অসিনা ঙসিদি মেরিটাইমগী লমদা শক্তি লৈনা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**এরেষ্টঃ** দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রান্সনা সরকারগী হিদাক লাংথকশিং অরোনবা মওংদা শিজিন্নরম্বা কাংবু অমা থুগায়খ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই মঙা ফারে। পুলিসনা মখোয়দগী লুপা লাখ ৭০ রোমগী হিদাক লাংথকসু ফাগৎখ্রে। হিদাকশিং অদুগী মনুংদা-মেরোপেমেম, সেফ্রিয়াজোন অমসুং রেবিসকী এন্টি সেরমনচিংবা য়াওরি। হিদাকশিং অদু মীয়ামদা লেমা ফংহনগদবনি। অদুবু, মীওইশিং অদুনা আইন কায়বা মওংদা য়োল্লমখি।

**ফুটবোল ঃ** ই.এম.এফ.সি লম্লাই, ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ফাইনেল চংলে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ই.এম.এফ.সি-লমলাইনা এ.এফ.এফ.সি. ইম্ফালবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা হয়েং-কৈশামথোং এফ.সিগা থাংমৈবন্দ এফ.সিগা শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অপুনবা ফুটবোল ক্লবনা শিনদুনা খুন্দ্রাকপমদা চথরিবা অহানবা প্রিয়া ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ই.কে.এফ.এ. শৈজাংনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু পাঞ্জল ৫-০ দা অদুগা ৱাই.এন.সি. হৱাউরোকনা নিপসো-কৈবীবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রি লৈকাই রাইজিং ক্লবনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা কে.আর.সি. ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নৱা স্পোর্টস একাডমী অমসুং এস.আই.সি. সিংগা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-আই.এম.এ. ৱাংগোইনা মালেম এফ.এ. য়াইরিপোকপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিংগোং ট্রোফিগী ঙসি শামুরৌ খ্বাই গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-টু ব্রদরসনা এস.এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিসুবা সমরাম ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-সোরা এফ.সি অমসুং গেলেক্সি এলভেন পাঞ্জল মরি-মরি চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচতা-সমরাম এফ.সিনা আই.টি. এফ.সি. উচিৱাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** চহি ১৫ মখাগী নুপীশিংগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-এম.পি.এ. থৌনাওজমনা পি.সি.সি. ময়াইকোইবীবু রন-১৭২ দা থোইখে।

**ক্রিকেট ঃ** চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী ৫ শুবা এম.এন.সি.এ ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-এস.এস.সি-পোরোম্পাৎনা এস.দি.ও. কৈরাও মক্তিংবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখ্রে।

থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-টি.সি. এম.দি.সি. থোংজ পার্ট টু পেচু লম্পাকনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু রন-১২০ দা থোসখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাওথোং খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা-ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা সি.ৱাই.এস.এ. খাঙবোকপু রন-১৩৭ তা থোইখি।

থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা রুল-মৈতমবু ৱিকেট অমদা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্ররলাদা অমসুং ডব্লিয়ু রামানন্দ ইলিট ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা-পি.পি.আর.সি. পাইশোই পার্ট ফোরনা রেজ-খ্বাই নাগামপাল লামাবম লৈকাইবু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি।

**ৱুশু ঃ** এন.এন.মঙাং ৱুশু একাডমী ককচিংনা শিনদুনা চত্থরকপা অহানবা এন.এন.মঙাং মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ৱুশু চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী সনথা মশান্নদা আর.সি.সি. বিষ্ণুপুরনা সনাগী তকমান ২৫, লুপাগী ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩০ পুন্না তকমান ৭১ ফংদুনা টিম ৱিন্নর ওইখ্রে।

তাউনু মশান্নদা সি.ডব্লিয়ু.আই. ইম্ফালনা সনাগী তকমান ১০, লুপাগী ৮ পুন্না তকমান ১৮ ফংদুনা টিম ৱিন্নর ওইখি।